**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 22-12-2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা বিষ্ণুপুর জিলাগী দম্পি চীংখোঙদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা বোম য়াওনা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় ফংলে।

২) গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিনা অৱাং নোংপোক লমদমবু নিংথিনা চাওখৎহন্নবা অকনবা মীৎয়েং থল্লি।

অমসুং

৩) ২৯ শুবা সেনিয়র নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপকী ফাইনেলদা ঙসি মণিপুরগা ওরিষাগা থেংনরগনি।

------

পুলিস (এল)ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা বিষ্ণুপুর জিলাগী মিনজাং ভিলেজ অমসুং ৱাথা লম্বী অনিগী লোন্নবদা লৈবা দম্পি চীংখোঙদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায় কয়ামরুম ফংলে।

পুলিসকী পাউনা হায়- মফম অদুদা ঙরাং থিবা হুম্বগী থবক চথবদা ফিফতি ৱান এম.এম মোর্তার অমা, এস.এল.আর রাইফল অমা, সভেন পোইন্ট সিক্স টুগী শেমদোক্লবা স্নাইপ্পর রাইফল অমা, গ্রেনেদ লোঞ্চর অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অনি, কে.জি ৭ লোম লুম্বা আই.ই.দি মরি, দিটোনেতর য়াওদবা হেন্দ গ্রেনেদ অহুম, নোংমৈ মরু অমদি বি.পি জেকেৎনচিংবা কয়া ফাগৎখি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতি ফোর্সনা ঙরাং সেনাপতি জিলাগী নেসনেল হাইৱে পরিংদা লৈবা হেংবুং খুলদগী মীওই অনি এস.পি. টেৱ্লেৎকা লোয়ননা ফারে।

মীওই অনি অদু পুলিসনা মফম অদুদা লম্বীদা অচৎ অওকশিং চ্যেক তৌরিঙৈদা ফাবনি। মখোয়দগী এস.পি. টেব্লেৎ ষ্ট্রিপ লিশিং ২,৭০০ ফাগৎখি হায়রি।

মরক অসিদা, মণিপুর পুলিসনা ঙরাং ককচিং জিলাগী কুরাউপোকপী এরিয়াদা মোরেরোমদগী চাকা মরি পানবা গাড়িদা পুরকপা দব্লিউ.ৱাই টেব্লেৎনি চিংনবা ড্রগ কিলোগ্রাম ১৩ গা কোন্ননা মীওই অমা ফারে।

অমরোমদা, পুলিসনা প্রিপাক প্রোগী মীওই অমা ঙরাং ককচিং জিলাগী হিয়াংলম অৱাং লৈকাইদগী ফারে। মীওই অসি ককচিং, থৌবাল, ইম্ফাল ৱেষ্ট অমসুং ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী মফমশিংদা মীয়ামদগী নম-হাদুনা শেল খায়বগী থবক্তা চেন্নবনি। মঙোনদগী মোবাইল ফোন অনিসু ফাগৎলে হায়রি।

হৌখিবা ইরাই নুমিৎতা পুলিসনা চুরাচান্দপুর জিলাগী তোরবুং বজারদগী মীওই অমা পোইন্ট থ্রি টু পিষ্টোল অমগা লোইননা ফাগৎপা ঙমখ্রে।

পুলিসকী পাউ অসিনা মখা তানা হায়- নেসনেল হাইৱে থার্তি সভেন অমসুং নেসনেল হাইৱে টুদা তঙাইফদবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৫৭৯ সেক্যুরিতিগী অকনবা ঙাকশেলগা লোয়ননা ইম্ফাল তমা পুশিল্লকখ্রে।

ঙামী (এল)ঃ চহি অসিগী জ্লাই অমসুং ওগষ্ট থাদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাউ অদুনা শোকহনখ্রবা থৌবাল জিলাগী ৱাংজিং তেন্থা কেন্দ্রগী মনুং চনবা তেকচমগী ঙামীশিং হৌজিক ফাওবা লৈঙাক্কী ওইবা মতেং অমত্তা ফংদবনা অৱাবা মায়োকরে। হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিং মীৎয়েং চংবীদুনা ঙামীশিং অসিগী মতেং পীবীয়ু হায়না সরকারগী পুকিং চিংশিল্লক্লি।

থৌবাল জিলাগী লৌসি পাৎতা ঙরাং পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা খুমন য়াইমা কৌবা ঙামী অমনা হায়- হৌখিবা চহি কয়াগী মমাংদগী লৌসি পাৎকী অকোইবদা ঙাগী ফার্ম তৌজরিবা তেকচমগী ঙামীশিংনা পাৎকী লম্বী শেম্বীনবা অমদি পাৎ তাবা লম্বীগী উকু হাপ্পীনবা হায়জদুনা লাক্লি। অদুবু ঙসি ফাওবা সরকারগী ওইবা মীৎয়েং চংবীদবনা লৌমী অমদি ঙামী কয়া খুদোংচাদবা কয়া মায়োকরি।

ঈ (এল)ঃ লাইফ সেভরস মণিপুর, লমদেং অপুনবা নহারোল অমদি আই.আর.সি.এস ইম্ফাল ব্রেষ্টনা পুন্না শিন্দুনা ঈ দান তৌবগী থৌরম অমা রিমসকী ব্লড বেঙ্কতা ঙরাং পাঙথোকখ্রে। রিমস হোস্পিতালদা লায়েংলিবা মশাগী চহি ৬ তা ঙাইরিবা বেবি মথোই ঙাসেপ্পমদা কৎথোক্লবা ঈ হায়বা হিরমদা ঈ দান তৌবগী থৌরম অদু পাঙথোকপনি। পুন্না মীওই ২২ না ঈ দান তৌখি।

বুক (এল)ঃ ইম্ফালগী ষ্টেট সেন্ত্রেল লাইব্রেরিদা চথরিবা ৩১ শুবা ইম্ফাল বুক ফিয়ার ২০২৪ গী ঙরাং ৭ নি চনবা নুমিৎতা অঙাংশিংগী লাইয়েকপা চাংদমবা পাঙথোকখি। পুন্না মহৈরোই ৬০ না শরুক য়াদুনা কেটাগোরি এ অমসুং বি খায়দোক্তুনা লাইয়েকপা চাংদমবা অদু পাঙথোকখি।

কাউন্সিল (এল)ঃ ব্বার্ল্ড মীতৈ কাউন্সিলগী মঙারকশুবা প্লিনারি সেসন ঙরাং মোইরাংদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অসিগী হীরমদি-হয়েংগীদমক মালেমদা লৈরিবা মীতৈগী অপুনবা ফিরেপ হায়বসিনি। মীফম অদুদা মণিপুরগী মপান লমদা লৈবা মণিপুরীশিংসু ওনলাইনগী খুথাংদা শরুক য়াখি।

সাহ ঃ গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিনা অৱাং নোংপোক লমদমবু নিংথিনা চাওখৎহন্নবা অকনবা মীৎয়েং থন্লি।

ত্রিপুরাগী আগরতালাদা ঙরাং পাঙথোকপা ৭২ শুবা নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিলগী প্লেনারি সেসনদা ৱা ঙাংবদা শ্রী অমিত সাহনা হায়- হৌখিবা চহি তরা অসি অৱাং নোংপোক লমদমগী ওইনদি য়ামা মরুওইবা মতম অমা ওইরি। অৱাং নোংপোক লমদমদা শেল থাদনবা কেন্দ্র সরকারনা ইনভেষ্টরশিংবু পুকিং থৌগৎলি। মমাংদা পানখিবা সরকারশিংনা অৱাং নোংপোক লমদমবু চাওখৎহন্নবা থবক নিংথিনা পায়খৎলমখিদে। অদুবু হৌজিক লৈরিবা মোদিগী সরকার অসিনদি লমদম অসিবু চাওখৎননবা থম্মোয় শেংনা হোৎনদুনা লাক্লি। লমদম অশোমদা শান্তি পুরকবা সরকারনা অকনবা মীৎয়েং থন্লি। মহাকা মখা

তানা হায়- বি.জে.পিনা লুচিংবা কেন্দ্র সরকার অসিনা অৱাং নোংপোক লমদমবু লৈবাক অসিগী অতৈ মফমশিংগা থোং মান্ননা চাওখৎহন্নবা পান্দম থল্লি।

গদকারি ঃ  কেন্দ্র ট্রান্সপোর্ট মন্ত্রি নিতিন গদকারিনা ঙরাং লৈবাক অসিগী অহানবা বাইও বিতুমিন শিজিন্নদুনা শেমগৎপা নেসনেল হাইৱে নাগপুর জিলাদা শঙ্গাখ্রে। শঙ্গাবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা শ্রী গদকারিনা হায়- বাইও বিতুমিন শিজিন্নদুনা লম্বী শেম্বা অসিনা পোল্লুসন হন্থহনবা, লম্বী শেম্বদা শেল য়ামা চাদিং তৌবগী চাং হন্থহনবা ঙমগনি। লোয়ননা মীওই কয়াবুসু থবক পীবা ঙমগনি। মহাকা মখা তানা হায়- বাইও বিতুমিন শিজিন্নদুনা শেমগৎপা লম্বী অসিনা মহৌশাদগী শেমদুনা লাকপা কয়লাগী লম্বীদগী চাদা ৪০ হেন্না মপাঙ্গল কল্লি।

ফুটবোল (এল)ঃ  শান্নবগী পাউদা- ২৯ শুবা সেনিয়র নেসনেল ফুটবোল চেম্পিয়নসিপ ফোর রাজ মাতা জিজাবাই ট্রোফিদা ২২ রক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা মণিপুরগা ওরিষাগা ঙসি ফাহনেল শান্নরগনি। মেটচ অসি ঙসি ছাতিসগরগী নরায়নপুরদা লৈবা রাম কৃষ্ণ মিসন আশ্রম গ্রাউন্দদা শান্নগনি।

পনবা য়াবদি, ঙরাং শান্নখিবা অহানবা সেমি ফাইনেল মেটতা মণিপুরনা নোংচুপ বেঙ্গলবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখিবনি। অনিশুবা সেমি ফাইনেলদা উরিষানা হরিয়ানাবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখি।

অমরোমদা, ৭৮ শুবা শন্তোস ট্রোফিগী ঙরাং শান্নখিবা গ্রুপ-বি মেটচ অমদা মণিপুর অমসুং নোংচুপ বেঙ্গল পাঞ্জল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে। মণিপুরগী মথংগী মেটচ হয়েং নুংথিল পুং ২ মখায়দা য়ুম্বু ওইরিবা তেলঙ্গনাগা শান্নগনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

আগরতালাদা ঙরাং নোর্থ ইষ্ট কাউন্সিল ৭২ শুবা প্লেনারি সেসন হৌদোকখিবা, মীফমদুদা গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা তোঙান

তোঙানবা ৱাফমশিং, বি.জে.পি লৈঙাকা সংবিধানগী আর্তিকলশিং ইকায় খুম দ্রে হায়না কংগ্রেসনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিং ঙসি ফোংবা পাউচেশিংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনবা উরে।

নহারোলগী থৌদাংদা- অৱাং নোংপোক্তা ইন্সরজেন্সিগী ইরাং লোইশিল্লক্লে, পুলিসকী থৌশিল অমসুং থৌদাং হোংদোকপগী মতম ওইরে হায়না গৃহ মন্ত্রি অমিত সাহনা ফোংদোকখিবা ৱাফমা পাউচে অসিগী অহানবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

নোর্থ ইষ্ট অসি ইকোনোমিক দিভলপমেন্টকী গেটৱে অমা ওইরগনি, নোর্থ ইষ্টতা ড্রগকা মরী লৈনবা এক্তিভিতিশিং মরু ফংনা মুখ্থৎকদবনি- অমিত সাহ হায়বা পাউ অসিনা মণিপুর নিউজগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ষ্টেট ওফ ইন্দিয়ান ফোরেষ্ট রিপোর্ট, মণিপুরদা উমংগী লমগী পাক চাউবা হেনগৎলক্লে। মণিপুরদা চুরাচান্দপুর, ফোরজোলনা উমং কোকপগী চাং খ্বাইদগী ৱাংবা দিষ্ট্রিক্ট ওইরে হায়বা পাউ অসি সনালৈবাক পাউচেদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

খুৎলায় পায়বা লুপশিংগা য়ান্নচে ২০ হেন্না খুৎয়েক পীনখ্রে- অমিত সাহ হায়বা পাউনা পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ঈচেল এক্সপ্রেসতা- মণিপুর লেজিসলেতিভ এসেমব্লিগী নিংথম মীফম কৌবীনবা গর্ভনর, সি.এম, স্পিকরদা মেমোরেন্দম পীশিনখ্রে। বি.জে.পি লৈঙাকা কন্সটিট্যুসন খোঙগাউনরে, তৌনিংবতা তৌদুনা লৈরে হায়না সি.এল.পি লুচিংবা ওক্রম ইবোবীনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা অনিসুবা হেদলাইন তৌদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরীদা- ইন্দিয়াগা য়ুমলোন কৈরোন্নবা লৈবাকশিংগী ফিভমদা নুংনাংবা, ম্যান্মারদা ওইরক্লিবা ফিভম কুপা য়েংলি হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- নোর্থ ইষ্টতা নার্কোটিক্স মায় পাকা থেংনবা ঙমদ্রি, পুন্না থেংনমিন্নশি- অমিত সাহ হায়বা পাউ অসিনা অনিসুনা হেদলাইন তৌরি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- নেসনেল কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না জিরিবাম জিলাদা অঙাং অহুম য়াওনা মীওই ৬ হাৎখিবা থৌদোক্কী মতাংদা অথুবদা থবক লৌখৎনবা মণিপুর সরকারদা খঙহল্লকখ্রে হায়বা পাউনা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হুইয়েন লানপাউদা- মীপুম খুদিংমকা য়ুনাইতেদ মণিপুর ওইহন্নবগীদমক হোৎনগদবনি হায়না সুপ্রিম কোর্টকী জজ কোতিশ্বরনা ফোংদোকখিবা ৱাফম মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মণিপুর মেলদা- এসেমব্লি মীফম পাঙথোক্তবগী মতাংদা কংগ্রেসনা গভর্নরদা ৱাকৎখ্রে হায়বা পাউ অমা অনিসুবা হেদলাইন পীদ্না ফোংলি।

ইম্ফাল ফ্রি প্রেসতা- য়াল্লবা খুৎশু খুৎলায়, ড্রগ ফাগৎখ্রে হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মোর্নিং বেলদা- পোলিতিকেল দাইলোগ তৌবনা মণিপুরগী ৱাথোক লোইশিনবা ঙমগনি হায়না ভারত লান্মীগী লেফটনেন্ট জেনেরেল ওইরম্বা কোনশম হিমালয়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিসতা- মহৈরোই লুপশিংনা দি.এম. য়ুনিভর্সিতিগী রিগুলর ভাইস চান্সেল্লর হাপবা দাবী তৌরি হায়বা পাউ অমা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------